# মকোক থোংবা হোলিৱুদ এক্ট্রেসশিং

## এলেন পেজ

এক্টর এলন পেজ কেন্নদাগী নোভা স্কোটিয়া মনুং চনবা হেলিফেক্সতা কুমজা ১৯৮৭ কী ফেব্রুৱারি ২১ দা পোকখি। ওজা অমদি গ্রাফিক দিজাইনরগী মচা নিংঙোল ওইজবা তারবসু পেজনা চহী নৌরিঙৈদগী হৌনা থিএটরদা থৱায় য়াওরকখি। কুমজা ১৯৯৭ তা ক্লাস ফাইভ তম্বদা ঙায়রিঙৈদা মপুন্সিগী অহানবা ওইনা টেলিভিজন মুভি "পিট পোনি" দা শক্তম লাংখিবগীদমক লেমজনিংঙাই ওইরবা কেন্নদাগী জেমিনি নোমিনেশন ফংখিবা এক্ট্রেস অসিনা মতুং তারকপদা "পিট পোনি স্পিন-ওফ", "ট্রেলর পার্ক বোইজ" অমদি "রিজেনেসিস" নচিংবা টেলিভিজন সিরিজশিং অমসুং এৱার্দ ফংখিবা ফিল্ম "মেরিয়ন বৃজ" দা কৃমখি।

হোলিৱুদতা অহানবা ওইনা "হোমলেস টু হার্ভার্দ: দ লিজ মুরে ষ্টোরি" দা কৃমখিবা তারবসু মহাকপু মীয়াম্না এক্ট্রেস অমা ওইনা শকখঙখিবদি "হার্দ কেন্দি" ফিল্মদগীনি। মহাক্কী অহানবা বিগ-বজেট ফিল্মদি "এক্স-মেন: দ লাষ্ট ষ্টেন্দ" নি। কুমজা ২০০৭ তা "জুনো" ফিল্মদা মীরোনবী লৈশাবী অমগী শক্তম লাংখিবগীদমক মপুন্সিদা অহানবা ওইনা একাদমি এৱার্দ ফোর বেষ্ট এক্ট্রেসকী নোমিনেশন ফংখি। মতুং তারকপদা মহাক্না "স্মার্ট পীপল" অমদি "হ্বিপ ইট" তা কৃমখিবগা লোয়ননা "ইন্সেপশন" দা লিওনার্দো দিকেপ্রিও অমদি জোসেফ গোর্দোন লেভিটকা কৃম্মিন্নখি।

কুমজা ২০১৪ গী ফেব্রুৱারি থাদা লাস ভেগাসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মশামক গে অমনি হায়না ইচং থৌনা লাউথোকখিবা এক্ট্রেস অসিনা একাদমি এৱার্দকী নোমিনেশন অমা, গোল্ডন গ্লোব এৱার্দ অমা অমসুং বি এ এফ টি এ অমা য়াওনা তোঙান তোঙানবা এৱার্দ ২৫ হেন্না ফংখি।

মহাক্না ফংখিবা অতৈ অতোপ্পা এৱার্দশিংগী মনুংদা এ সি টি আর এ মেরিটাইম এৱার্দ ফোর আওট ষ্টেন্দিং পার্ফোমেন্স, কেন্নদিয়ন এৱার্দ ফোর আওটষ্টেন্দিং পর্ফোমেন্স, কেন্নদিয়ন এৱার্দ ফোর বেষ্ট এক্ট্রেস, এম টি ভি মুভি এৱার্দ ফোর বেষ্ট এক্ট্রেস অমদি ওরেঞ্জ রাইজিং ষ্টার এৱার্দ অসিনচিংবা পনবা য়াই।

এক্টিংখক্তদা নত্তনা অতৈ অতোপ্পা থবকশিংদসু মায়পুন্না শরুক য়ারকখিবী পেজনা কুমজা ২০০৮ দা অতৈ সেলিব্রিটি ৩০ গা খুৎশম্নরগা "য়ু এস কেম্পেন ফোর বর্ম্মা" দা শরুক য়াদুনা বর্ম্মাদা মিলিটরিগী লৈঙাক লোইশিলহন্নবা থৌরাং লৌখৎখি। মহাক অঙাং ওইরিঙৈদা বুধিষ্ট স্কুল অমদা মহৈ তম্লকখিবগা লোয়ননা মেদিটেশন অমদি যোগাদা থৱায় য়াওই। মসিদসু নত্তনা শাঙা চাদে।

ইকোন কোনবা খোঙথাং ওইনা কুমজা ২০১৪ গী দিসেম্বর থাদা মহাক্না "ষ্টার ৱারস" সিরিজদা কৃম্লগনি হায়না লাউথোরকখি।

### মালেমগী অঙকপশিং

# এথেন্সকী এক্রোপোলিস

এক্রোপোলিস হায়বসি এথেন্স সিটিগী অৱাংবা চীংদোল অমদা থায়না মমাঙঙৈ লৈরম্বা লানবল অমনি। পুৱারীগা মরী লৈনবা মখুৎ মশা হৈবগী ময়েক শেংলবা খুদম চাংদম কয়া য়াওবা বিল্ডিংশিংগী লেমহৌবা শরুক কয়া লৈরিবা এক্রোপোলিস অসি য়ুনেস্কোগী ৱর্ল্ড হেরিটেজ সাইট ওইনা লাউথোকখ্রবনি।

খৃষ্টতনা পোক্ক্রিঙৈগী চহী ৪০০ রোমগী মমাঙদা মীওইবনা খুন্দারম্বগী খুদম ফংলিবা চীংথক অসিদা পার্থেনন, প্রোপাইলিয়া, ইরেকথিওন অমদি টেম্পল ওফ এথেনা নাইকি য়াওনা মরু ওইবা বিল্ডিং কয়ামরুম লৈরম্মী। কুমজা ১৬৮৭ তা শোক্লখিবা মোরিয়ন ৱার মতমদা ভেনেসিয়নশিংনা খুদুম চল্লুবদগী পার্থেনন অমসুং অতৈ বিল্ডিং কয়া অমাঙ-অতা থোক্লুরে। মতমদুদা নোংমৈ মরুগী কানক্রুক থম্ফম ওইখিবা পার্থেননদা টোপ কাপশিল্লকপদগী অমাঙ-অতা থোকখিবনি।

কুমজা ২০০৭ কী মার্চ ২৬ তা য়ুরোপিয়ন কলচরেল হেরিটেজ লিষ্টতা মরু ওইবা মফম কনবা ঙমখিবা এক্রোপোলিস অসি সমুদ্রগী ঈমায়দগী মিটর ১৫০ (ফুট ৪৯০) ৱাংনা লৈ। সেক্রোপিয়া হায়নসু খঙনবা এপ্রোপোলিসকী পাক চাউবা হেক্টর ৩ (একর ৭.৪) নি। মতম অমদা এথেনিয়ন এক্রোপোলিসকী মতোলদা কোনুং অমা লৈরম্মী হায়না থাজনরবসু মদুগী চপ চাবা খুদম চাংদম অমত্তা ফংবা ঙমদে।

খৃষ্টতনা পোক্ক্রিঙৈ মমাঙগী তরুকশুবা চহীচা মতমদা কাইলোনিয়ন ফুরুপনা খুদুম চল্লুরবা মফম অসিদা লাইশঙ অমা লৈরম্মী হায়না থাজনরি। মপুং ফানা শাবা লোইশিন্দবা লাইশঙ অদুগী অকোয়বদা চঙফম গেট মাপল পানবা চেকপল অমা পুমকোয় কোয়না খাজিল্লি। খৃষ্টতগী মমাঙ কুমজা ৫৭০ দসু মফমসিদা লাইশঙ অমা শারম্মী। অরখোইস মিও হায়না খঙনবা লাইশঙ অদু খৃষ্টতগী মমাঙ কুমজা ৪৮০ দা পর্সিয়নশিংনা লান্দারকপদা অমাঙ অতা থোকখি। কোন্না অমুক শেমগৎ শাগৎলবা মতুংদা মৈ চাকপগী থৌদোক অমদা অমুক হন্না অমাঙ-অতা থোকখি। অহুমশুবা চহীচাদা হেরুলিয়নশিংনা লান্দারকপা য়াবগী অকিবা লৈবদগী মওং তানা এক্রোপোলিসকী অকোয়বগী ফক্লাংশিং শেমজিল্লবা মতুংদা লানবল অমা ওইনা শীজিন্নখি।

বিটেন্টাইনগী মতমদা ভর্জিন মেরিগী মিত্তম লাৎতুনা পার্থেননবু চর্চ ওন্থোকখি। মতমদুদা এক্রোপোলিসপু সিটিগী মরু ওইবা এদমিনিষ্ট্রেটিভ সেন্টর ওইনা শীজিন্নখি। পার্থেননবুনা কেথিদ্রেল ওইনা শীজিন্নখিবগা লোয়ননা "ফ্রেঙ্কোপিরগোস" কৌবা অচৌবা টাৱর অমা শেমগৎখি। অদুবু ১৯ শুবা চহীচাদা টাৱর অদু অমাঙ অতা থোকখি। ওটোমাননা গ্রীস খুদুম চল্লবা মতুংদা পার্থেননবু টর্কিশ আর্মিগী গেরিসন হেদ ক্বার্টরস ওইনা শীজিন্নখি। কুমজা ১৬৮৭ তা শোক্লখিবা মোরিয়ন ৱারদা ভেনেসিয়নশিংনা খুদুম চনখিবদগীদি এক্রোপোলিসকী বিল্ডিংশিং ফনা য়াম্না অমাঙ অতা থোকখি। নোংমৈ মরুগী কানক্রুক থম্ফম ওইবা পার্থেননদা টোপ কাপশিল্লকপদগী ফীভম থীনা অমাঙ অতা থোক্লম্মী।

মতুং তারকপা চহীশিংদা বিজেন্টাইন, ফ্রেঙ্কিশ অমদি ওটোমান ষ্ট্রকচর কয়া এক্রোপোলিসতা শেমগৎখি। ওটোমানগী মতমদা মশক নাইবা মসজিদ কয়া শেমগৎখ্রবসু গ্রীসকী নীংতম লান মতুং তারকপদদি ষ্ট্রকচর অয়াম্বা লোইনা শীদোক্তুনা মহৌশাগী ফীভমদা হঞ্জিলহন্নবা থৌরাং লৌখৎখি।

এক্রোপোলিসকী চঙফমদা প্রোপাইলিয়া কৌবা মশক নাইবা থোঙ্গাল অমা শেমগৎপগা লোয়ননা খা থংবা চঙফমদা এথেনা নাইকিগী লাইশঙ; ময়ায়দা এথেনা পার্থেনোসকী লাইশঙ; নোংপোক অমদি অৱাং মায়কৈদা ইরেকটিয়ম কৌবা লাইশঙ অমসুং খা থংবা মায়কৈদা দাইওনাইসস কৌবা আওটদোর থিএটর অমা শেমগৎলম্মী। এক্রোপোলিসতগী মিটর চা খরখক লাপ্পা হিরোদস এটিকসকী থিএটর অমসু লৈ। অরিবা মতমগী মমল তাঙলবা পোৎলম অয়াম্বা হৌজিক্তি পূন্না খোমজিল্লগা এক্রোপোলিস ম্যুজিয়মদা থল্লে।

অখন্নবা থৌরাং অমগী মখাদা ফীভম শোকচিল্লুরবা এক্রোপোলিস শেমজিন্নবা প্রোজেক্ট অমা কুমজা ১৯৭৫ দগী পায়খৎপা হৌখি। হৌজিক্তি অয়াম্বা শরুক শেমজিনবা লোইরে। চহী মরি খুদিংগী এথেনিয়নশিংনা ওলেম্পিক গেম্সকা লম্বা পাবা ওইনা এক্রোপোলিসতা অচৌবা কুম্মৈ অমা হেক হেক পাঙথোকই। মখল কয়াগী থৌরমগা লোয়ননা পাঙথোক্লিবা কুম্মৈ অসি গ্রীকশিংগী পুৱারীগা শাগোন্নবা য়াম্না মরু ওইবা থৌরম অমা ওইনা লৌনরি। তরানিপাল শুবা চহীচা তংখায় চল্লকপদগীদি নোংচুপ লোমগী চৎন-লোনচৎ চঙলক্তুনা এক্রোপোলিসকী মশাগী ওইজবা মশক মতৌদা অহোংবা খরা লাকখি।

Title : SCENERY



Adhikarimayum Avinash Sharma
Class : I, Sec. :, Roll: 1
Canchi Academy

Title : DRAGONITE



L. Valindra
Class : III , Sec.E:, Roll:43
Catholic School, Canchipur

Title : HULK



Sapam Nongshaba
Class :I, Sec. :, Roll: 4
Canchi Academy

Title : TYRANNOSAURUS



Heisnam Anrik Singh
Class :III, Sec., Roll: 25
K.M. Blooming Hr. Sec. School

Title : SCENERY



Huidrom Athoibi
Class : KG , Sec. :, Roll: 2
Canchi Academy

Title : HAWKEYE



Bigyananda Laishram
Class :VIII, Sec.,Roll: 4
Canchi Academy

Title : GREEN ENVIRONMENT



Ashem Ally Devi
Class : V , Sec.B, Roll: 23
Smart Universal Academy

Title : CHHOTA BHEEM



Sh. Malemthoiba
Class : II Sec: , Roll: 22
Smart Universal Academy

Title : LION



Rafiq Ahamad
Class : V , Sec.A:, Roll:49
Smart Universal Academy

Title : BARBIE



L. Sonalika
Class : IV , Sec. B :, Roll: 1
Smart Universal Academy

Title : A SCHOOL



Abarar
Class : II , Sec.A:, Roll:48
Smart Universal Academy

Title : SAVE THE EARTH





Yaiphaba Ningomba
Class : II , Sec.B:, Roll:17
Smart Universal Academy

Title : ANGRY BIRD



Willson
Class : III , Sec.B:, Roll: 43

Title : SCENERY





Waikhom Nandita Devi
Class :V, Sec.A, Roll: 1
Smart Universal Academy

Title : A GIRL



Shagolsem Bemika Devi
Class :IV, Sec.A, Roll: 5
Smart Universal Academy

Title : SCENERY



Laishram Varsina
Class :Nursery, Sec., Roll:
Canchi Academy

Title : ROCKET





Laishram Bidyananda Singh
Class : I, Sec.: Roll:7
St. Thomas High School

Title : SCENERY





Alok Wahengbam
Class :II, Sec. :, Roll:49
St. Thomas High School





## থুম হেন্না থাকচিনখ্রবদি কমদোগদগে

থুম হায়বসি থোংবা থাকপদা য়াওদবা শুকয়ামক য়াদবা মচল অমা ওইবা তারবসু খজিক্তং হেঞ্জিন্না থাকখ্রবদি এনশাং মহাউ মাঙহল্লি। করিগুম্বা কান্দা শোয়বদগী থুম হেন্না থাকচিনখ্রবদি চাবা য়াবা এনশাং অমা ওইহন্নবা করি তৌবা য়াবগে হায়বদুগী অচম্বা পাম্বে খরা লৈ।

থুম চল্লবদি চাবা মতমদা কোন্না থাকচিনবা য়াই অদুবু য়াক্লবদি লৌথোকপা য়াদবনিনা অয়াকপা শরুক অদু লৌথোকখিনবগী ফরবা পাম্বে ওইনা ঘী নৎত্রগনা বটর খরা হাপচিনগদবনি।

থোংলিঙৈ মতমদা থুম য়াকখ্রে হায়বা খঙলক্লগনা কোবী থমচেৎ মানবী খরা কুপ্না তকখায়রগা থাকচিনগদবনি। কাংশোই ওইরগনা আলু খরা শোইরগা হাপচিনবা য়াই। করিগুম্বা সুপ শেম্বদা থুম হেন্না থাকচিনখ্রবদি চিনি খরা থাকচিনবা মতমদা ময়াক চমখিগনি। থোংবা লোইরগা চাকলুক মপান্দা পুথোরক্লবা এনশাং ওইরগনা ঘীগা চামিন্নগদবনি। চাক্তা ঘী হান্না তোৎলবদি এনশাংগা চামিন্নবা মতমদা থুমগী ময়াক খরমখৈ হনথখিগনি।

কা হেন্না থুম য়াকপা তারবদি অশিনবা অচার খরা হাপচিনবদা ময়াক হনথখিগনি। থুম য়াম্না চাবা হায়বসিনা হকচাংদা মখল কয়াগী খুদোংথিবা থোকহল্লকপা য়াবা মরম্না থোংবা থাকপা মতমদা য়ারিবমখৈ থুমগী চাং হন্থনা থাকপগা লোয়ননা থুম য়াক্লা চাবগী হৈনবী থাদোক্কদবনি।

# সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি

## মথন্তা থৌহনবা য়াবা কার

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী স্পেস এজেন্সিনা মখল কয়াগী গাড়ি পুথোকপা কম্পনি অমগা খুৎশম্নরগা মশা-মথন্তা থৌজগদবা কার অমা শেমগৎকদৌরি। হীরম অসিগা মরী লৈননা নেশনেল এরোনোটিক্স এন্দ স্পেস এদমিনিষ্ট্রেশন (নাসা) অমদি নিসাননা চহী মঙা পূন্না থবক তৌমিন্নরগনি। মখোয়না পুথোক্কদৌরিবা মৈখু চেন্দবা গাড়ি অসি অহানবদা মালেমগী লৈমায়দা থৌহনগদবনি। মদুগী মতুংদা শুন্দ্রং (স্পেস) তা থৌবা য়াহনগনি হায়রি।

নাসা অমদি নিসাননা চাংয়েংগীদমক শেমগৎপা ওটোনোমস কারশিং য়ু এস স্পেস এজেন্সিগী কেলিফোর্নিয়াদা লৈবা এমিস রিসর্চ সেন্টরদা চাংয়েং তৌগদৌরি। সিলিকোন ভেলিদা লৈবা নিসানগী রিসর্চ য়ুনিটতা নাসাগী রিসর্চরশিংনা হীরমসিগা মরী লৈননা থবক তৌবা হৌরগনি। পনবা য়াবদি নিসাননা মীয়াম মরক্তা মশা-মথন্তা থৌহনগদবা কার অমা চাংয়েং তৌরিবনি। নৌনা শেমগৎকদৌরিবা টেক্নোলোজি অসি পেসেঞ্জর গাড়িশিং অমদি রোভরশিংদসু পানশিল্লগনি, মসিনা তুংগী মীরোলদা য়াম্না চাউনা কান্নবা পীরগনি হায়না নিসানগী চীফ ইগজেক্যুটিভ কার্লোস ঘোসনা ফোঙদোকখি। চৎলিবা চহী অসিগী লোইশিল্লকপা শরুক্তদি অনৌবা মখলগী কার অসি মরু ওইবা সহর খরগী লম্বীশিংদা শোয়দনা উবা ফংলগনি।

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | | | | | |
| ꯀ | ꯃ | ꯈ | ꯇ | ꯅ | ꯁ | ꯄ | ꯂ | ꯆ |
| | | | | | | | | |
| | | | | | | | | |
| | | | | ꯁ | | | | ꯄ |
| ꯅ | ꯁ | ꯇ | | | | | | ꯀ |
| | | | | | | | | |
| | | | | | | | | |
| | | | ꯈ | ꯀ | ꯃ | | | |

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| ꯄ | ꯂ | ꯆ | ꯀ | ꯃ | ꯈ | ꯇ | ꯅ | ꯁ |
| ꯀ | ꯃ | ꯈ | ꯇ | ꯅ | ꯁ | ꯄ | ꯂ | ꯆ |
| ꯇ | ꯅ | ꯁ | ꯄ | ꯂ | ꯆ | ꯀ | ꯃ | ꯈ |
| ꯂ | ꯆ | ꯄ | ꯃ | ꯈ | ꯀ | ꯅ | ꯁ | ꯇ |
| ꯃ | ꯈ | ꯀ | ꯅ | ꯁ | ꯇ | ꯂ | ꯆ | ꯄ |
| ꯅ | ꯁ | ꯇ | ꯂ | ꯆ | ꯄ | ꯃ | ꯈ | ꯀ |
| ꯈ | ꯀ | ꯃ | ꯁ | ꯇ | ꯅ | ꯆ | ꯄ | ꯂ |
| ꯁ | ꯇ | ꯅ | ꯆ | ꯄ | ꯂ | ꯈ | ꯀ | ꯃ |
| ꯆ | ꯄ | ꯂ | ꯈ | ꯀ | ꯃ | ꯁ | ꯇ | ꯅ |